# পাটিয়ালাগী নেসনল কেম্পতা হৌজিকসু চাং নাইনা নোংমদা পুং তরেৎকী চাংদা অকনবা ট্রেনিং চথুরি



**সাইখোম মীরাবাই চনু**
*(ৱেথ লিফটর)*

ৱেথ লিফটিং মশান্নদা থোইদোক্লা মমিং লৈরবী সাইখোম মীরাবাই চনু, হৌজিকসু পটিয়ালাদা অকনবা ট্রেনিং তৌদুনা লৈরি। রিও ওলিম্পিক গেমস ২০১৬তা মেদল পুরকপা ঙমখিদবগী ঙসিফাওবা ওলিম্পিক মেদলদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা কন্না হোৎনরি। রিও ওলিম্পিক গেমসতা নিংঙবা কায়না হল্লকখিবদুনা অচৌবা লেসন অমা ওইরগা কুমজা ২০২০গী টোকিও ওলিম্পিক অসিদদি গোল্ড মেদল পুরকপা ঙম্ননবা হায়দুনা নোংমদা পুং তরেৎ ট্রেনিং তৌদুনা অকনবা ট্রেনিং চথুরি।

মশাগী চহী ২৫ হায়রক্লবী মীরাবাই চনু কুমজা ২০০৭তগী ৱেথ লিফটিং হায়বা মশান্নসিদা খোঙদাবা হৌরকখিবনি। য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট ৱেথ লিফটিং কোচ এল অনীতা চনু (ধ্যানচান্দ এৱার্দি) গী মখাদা ইহান হান্না শান্নরকখিবা প্লেয়রনি। অঙাংদি নিংথাদগী খঙই হায়বদুনি। মীরাবাই গেম অসিদা হেক চঙলকপা ইকুই কুইদনা ষ্টেট লেভেলগী চেম্পিয়নশিপ্তা মনা-মথুম লৌবা ঙল্লকখি। কুমজা ২০০৯দা তৌখিবা নেসনল য়ুথ সব জুনিয়র গর্লসকী চেম্পিয়নশিপ্তা য়াওবা ঙম্বগা লোয়নননা ৱ্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। মদুদগী মথং মথং সিলভর মেদলনচিংবা লৌবা ঙল্লকখি।

মীরাবাই চনু অহানবা ওইনা শক্তাল্লকখিবা চেম্পিয়নশিপতী কুমজা ২০১২দা ম্যান্মারগী য়াঙ্গোনদা নবেম্বর ১০দগী ১৩ ফাওবা তৌখিবা য়ুথ এন্দ জুনিয়র ৱেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ অদুনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মীরাবাইনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা স্নেটচতা কে জি ৭৪ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ৯৪ পুন্না কে জি ১৬৮ থাঙ্গৎতুনা ৱ্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি। মদুগী মখা তারকপদা লিফটর অসিনা কুমজা ২০১৪গী কর্মন ৱেল্থ গেমসতগী, ৱর্ল্ড জুনিয়র ৱেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তুগী সিলভর অমসুং ৱ্রোঞ্জ মেদল পুরকখি।


মীরাবাই চনুগী নেসনল রেকোর্দ খরা নৌহৌনা নৈনবা য়াবদি কুমজা ২০১২গী ন্যু দিল্লিদা চথখিবা জুনিয়র নেসনলদা সনাগী মেদল লৌরকখি। হায়রিবা চহী অদুমক্কী সিনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তুসু ৱ্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি। কুমজা ২০১৩দদি লিফটর অসিনা হেন্না ইমপ্রুফ তৌবসু ঙল্লকখি। কুমজা ২০১৩গী দিসেম্বর থাদা গুৱাহাটিদা তৌখিবা জুনিয়র নেসনলদা সনাগী মেদল লৌবগা লোয়নননা নেসনল ন্যু রেকোর্দসু থম্বা ঙমখি। লোয়নননা কুমজা ২০১৪দা কজাকস্তানদা তৌখিবা এসিয়ন জুনিয়র ৱেথ লিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তুসু সিলভর মেদল ফংলকখি। মালেসিয়াগী পেনাঙদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ সিনিয়র ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ্তুসু সনাগী মেদল লৌবা ঙল্লকখি। চহী খরা অসিদা লৈখিবা এচিবমেন্টশিং অদুনা মরম ওইরগা মীরাবাই চনু কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসকী ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৬কী জুনগী তাং ১৭তা লিফটর অসিনা এন আই এস পটিয়ালাদা পীখিবা ওলিম্পিক ট্রায়ল রেকোর্দ অসি স্নেচতা ৮৫, ক্লিন এন্দ জর্কতা ১০৭ পুন্না ১৯২নি। মহাক্না থাঙ্গৎখিবা অদু নেসনল রেকোর্দ অনী থুগাইখিবগা লোয়নননা রিও ওলিম্পিক গেমস ২০১৬কী ক্বালিফাইদসু ওইবা ঙমখিবনি। মহাক মশামক্লা হান্না থমখিবা স্নেচকী কিলোগ্রাম ৮৪ অদু কিলোগ্রাম অমা হেন্না থাঙ্গৎতুনা থুগাইখিবনি। অদুদসু নত্তনা এন কুঞ্জারানীনা কমুজা ২০০৪ দা ক্লিন এন্দ জর্কতা থল্লম্বা কিলোগ্রাম ১৯০গী রেকোর্দ অদুসু মহাক্লা কিলোগ্রাম অনী হেন্না থাঙ্গৎপা ঙমদুনা কিলোগ্রাম ১৯২দা ন্যু রেকোর্দ অমুক থল্লমখিবনি।

অদুবু লাইবক থিবদি রিও ওলিম্পিক্তগীদি মীরাবাই চনু ওলিম্পিক মেদল পুরকপা ঙমদনা নীংবা কায়না হল্লকখি। মদুগী মায়থীখিবা অদুনা অনৌবা থৌনাগা লোয়নননা ঙসিসু মীরাবাই 'টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০' খৌরাংনা ঙাইহরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬কী ওলিম্পিক গেমস অদু মঙোন্দদি অচৌবা পারা অমসু ওইরি। ... মথং মথং ...

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**ৱেথ লিফটিংদা মীৎয়েং অমা**






## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়াগী ইলাভেনিল, দিভিয়ান্স অমসুং শৌরবনা শুটিংগী দি গোল্ডন টার্গেট ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৫(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শুটর ইলাভেনিল ভলারিবন, দিবয়ান্স সিংহ পনৱর অমসুং সৌরব চৌধরি আই এস এস এফ (ইন্টর্নেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন)গী দি গোল্ডন টার্গেট এৱার্দ ফংলগনি।

নুপীগী এয়র রাইফল ইভেন্টতা চহী অসিগী সিজন লোইশিল্লকপদা ৱর্ল্ড নম্বর ১গী পোজিসনদা লৈবা ঙল্লবী ইন্দিয়াগী শুটর ইলাভেনিল ভালারিবন য়াওনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শুটর অনীসু দিসেম্বর থাগী ৭তা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা আই এস এস এফনা য়েন্থোক্কদবা গোল্ডন টার্গেট এৱার্দ ফংলগনি।

মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা নুপাগী এয়র রাইফল শুটর দিবয়ান্স সিংহ পনৱরনা সিজন অসিদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ অনী (বৈজিং অমসুং ম্যুনিক)দা গোল্ড মেদল ফংখি। মদুনা মরম ওইরগা মথংগী চহী ২০২০দা জপাননা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শুটর চহী নৌরিবা সৌরব চৌধরিসু এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা সিজন অসি লোইশিল্লকপগী ওইনা ৱর্ল্ড নম্বর ১ থাক অদু ফংদুনা জর্মনিগী ম্যুনিক্তা পীগদৌরিবা গোল্ডন টার্গেট এৱার্দ অদু ফংগদৌরিবনি। চৌধুরিনা সিজন অসিদা পাঙথোকখিবা দিল্লি অমসুং বৈজিং ৱর্ল্ড কপ্তা গোল্ড মেদল ফংখিবগা লোয়নননা টোকিও ওলিম্পিক্সু ক্বালিফাই ওইখি।

## হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা আই এস এলগী মমৈদা লৈরম্বা চেন্নাইন এফ সি ৯শুবদা লৈখ্রে




**Match on 26 Nov. (Tuesday)**
GOA FC Vs JAMSHEDPUR



চেন্নাই, নবেম্বর ২৫(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি টামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা শান্নখিবা ৫শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ুম্বু ক্লব ওইখিবা চেন্নাইন এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মমৈদা লৈরম্বদগী ৯ শুবা পোজিসদা লৈখ্রে।

চেন্নাইন এফ সি ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা টিম অমনি। অদুবু ২০১৯-২০গী সিজনগী ওইনা ক্লব অসিনা ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা পুন্না মেচ ৪ শান্নরকখিবদা মেচ অমা দ্রো চৎলগা ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট অমখক ফংলগা টিম ১০গী কম্পিটিসন অসিদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরম্বনি। অদুবু মখোয়না ঙসি লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা হায়গৎখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা চেন্নাইন এফ সি অমসুং হায়দরবাদ এফ সি লেং মান্নদুনা থেংনরকপা মরম্না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাফ অদুদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈবা টিম অনীগী লম্বা ওইবনা মায় পাক্তুনা থাক অমা হেনগৎনবা লাক্লরকখি।

হায়দরবাদ এফ সিগী টিম মমাঙদা শান্নখিবা মেচ ৪দা ৩ মায়থীরগা অমা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা ৯ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। ঙসিগী মেচ অদুগী অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা চেন্নাইন অমসুং হায়দরবাদকী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

ইঞ্জুরি টামগী অনীশুবা মিনটতা চেন্নাইন এফ সিগী মায়কৈদগী এ স্কেমব্রিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা হায়দরবাদ এফ সিবু মখোয়না ১-০দা মাংজিল থাখি। ইঞ্জুরি টামগী ৫শুবা মিনটতা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী এম কিলগালোননা টিমমেট এ হোল্ডারগী মায়কৈদগী পীরকপা পাসনা ইক্কেলাইজর ওইহনখি। ইঞ্জুরি টাম অদুগী ৬শুবা মিনটতা এটেক হেঞ্জিল্লকখিবা চেন্নাইন এফ সিগী মায়কৈদগী এন ভালসকিসনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 5 | 3 | 1 | 1 | 10 | 3 | +5 | 10 |
| 2 | Bengaluru | 5 | 2 | 3 | 0 | 5 | 1 | +4 | 9 |
| 3 | Goa | 4 | 2 | 2 | 0 | 10 | 5 | +5 | 8 |
| 4 | NorthEast United | 4 | 2 | 2 | 0 | 5 | 3 | +2 | 8 |
| 5 | Jamshedpur | 4 | 2 | 1 | 1 | 6 | 5 | +1 | 7 |
| 6 | Odisha | 4 | 1 | 2 | 2 | 6 | 6 | 0 | 5 |
| 7 | Kerala Blasters | 4 | 1 | 1 | 3 | 3 | 5 | -2 | 4 |
| 8 | Mumbai City | 4 | 1 | 1 | 5 | 5 | 8 | -3 | 4 |
| 9 | Chennaiyin | 5 | 1 | 1 | 3 | 2 | 8 | -6 | 4 |
| 10 | Hyderabad | 5 | 1 | 0 | 4 | 4 | 12 | -8 | 3 |

## রাফেল নদালনা লুচিংবা দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা কানাদাবু মেচ ২-০দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

DAVIS CUP



মাদ্রিদ, নবেম্বর ২৫(এজেন্সী): স্পেনগী মাদ্রিদ সিটিদা থা অসিগী ১৮দগী হৌখিবা দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা স্পেনগী মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় রাফেল নদালনা লুচিংবা টিম অদুনা কানাদাবু মেচ ২-০দা থোইদুনা দেবিস কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে।

মমাঙদা ৱর্ল্ড গ্রুপ ফাইনেল হায়না খঙনরম্বা তোঙান-তোঙানবা টেন্নিস শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপাগী টিমগী কম্পিটিসন ওইরিবা হন্দক্লা নৌনা মিংথোল পীরগা দেবিস কপ ফাইনেলস হায়না খঙনরিবা অহানবা এদিসন ওইরিবা অসিগী ফাইনেলদা স্পেন অমসুং কানাদা লম্বা তৌনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমিফাইনেলদা কানাদাগী টিমনা রসিয়াবু মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা স্পেননা গ্রেট বৃটেনবু থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।


ঙরাং অথেংবদা স্পেননা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নবা দেবিস কপ ফাইনেলগী অহানবা সিঙ্গলসকী মেচ অদুদা স্পেনগী মায়কৈদগী রোবার্টো বোটিস্তা অগুটনা শান্নদুনা কানাদাগী ফেলিক্স ওগর এলিয়াসিমবু ৭-৬ (৭-৩), ৬-৩দা থোইদুনা অহানবা সেট মায় পাক্লগা কানাদাগী টিম অদুবু মেচ ১-০দা ফাইনেল মেচ অদু মাংজিল থাখি।

সেমি ফাইনেলদা স্পেননা গ্রেট বৃটেনগা থেংনখিবা লম্বা অদুদা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা সিঙ্গল অমসুং দবসলকী মেচ অনীদায়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎতুনা মেচ ২-১দা থোইরমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা মেচ অদু নুপাগী সিঙ্গলসকী মেচ ওইখি। মদুদা চহী ৩৩ শুরবা রাফেল নদালনা কানাদাগী নহা ওইরিবা শান্নোয় দেনিস সাপোভালোপকা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা রাফেল নদালনা সাপোভালোপপু ৬-৩, ৭-৬ (৯-৭)দা থোইদুনা মেচ ২ মায় পাকপদগী মখা তাবা দবলসকী মেচ শান্নদনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং সিফিল য়ুনাইটেদ পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে

Premier League



লন্দন, নবেম্বর ২৫(এজেন্সী): মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী অঙাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৩ শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং সিফিল য়ুনাইদেট পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগ অসিগী টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদনা কুমজা ২০১৯-২০গী টুর্নামেন্ট অসিদা রাউন্দ ১২ শান্নখিবদা মেচ ৪ খক মায় পাক্লগা ৪ মায়থীরবা মতুং দ্রো ৪ শান্নদুনা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ১১ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙরাংগী মেচ অদুদা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা সেফিল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী জোন ফ্লেকনা পাঞ্জল চন্দুনা মেনচেষ্ট য়ুনাইটেদপু মাংজিল থাখি। মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফঙদনা মিনট ৪৫গী মতম লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী ৫২শুবা মিনটতা সিফিল য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী লিস মোজেনা অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল শেম্বা হৌখি। অদুবু ৭২শুবা মিনটতা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ব্রেন্দন ৱিল্লিমযসনা শোত্থখিবা পাঞ্জল ২গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

মিনট ৫ লৈরগা টিম অদুগী শান্নরোয় মেসন গ্রিনৱুটনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা ২-২দা লৈনখি। ৭৯ শুবা মিনটতা মেনচেষ্টর য়ুনাইদেটকী মায়কৈদগী মার্কস রাসফোর্দনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা সিফিল য়ুনাইটেদপু ৩-২দা মাংজিল থাখি। অদুবু মেচ অদুগী অপীবা মতমগী অরোইবা মীৎকুপ্তা সিফিলগী মায়কৈদগী ওলিভর মেগবর্নিনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা মেচ অদু ৩-৩দা দ্রো চৎখি।

## টাটা ষ্টিল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯দা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন অনন্দ ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি, নোর্ৱেগী কার্সননা মকোক ওইরি




কোলকত্তা, নবেম্বর ২৫(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী সিটি কোলকত্তাদা লৈবা নেসনল লাইব্রেরি ওফ ইন্দিয়াদা থা অসিগী ২২দগী চথরকখিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টাটা ষ্টিল চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ৯ শুবা রাউন্ট লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি। ৱর্ল্ড নম্বর ১ অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা নোর্ৱেগী মেগনস কার্সননা মকোক থোংদুনা চৎলি।

মথং থাদা ইংলেন্দগী সিটি লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা শান্নরোয় ৪গী গ্রান্দ চেছ টুর ফাইনেলদা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন অনন্দ ৬শুবা পোজিসন নত্রগা মদুগী হেনগৎপা থাক্তা লৈবা মথৌ তারি। মহাক্লা ঙসি শান্নখিবা ৯ শুবা রাউন্দ অদুদা মাংজৌনননা গ্রান্দ চেছ টুর ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইখ্রবা চাইনাগী শান্নরোয় দিং লিরেনগা দ্রো চৎতুনা ব্লিস গেম অদুগী রাউন্দ ৯ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১২.৫ ফংদুনা ৫ শুবা পোজিসনদা অতোপ্পা শান্নরোয় অনীগা লৈমিন্নরি।

ব্লিস গেম অমদি রেপিদ গেম অনীগী অপুনবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ নোর্ৱেগী মেগনস কার্সননা পুন্না পোইন্ট ২১.৫ ফংলগা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা শান্নরোয় ওইরিবা য়ু এস এগী হিকারু নকামুরাগী পোইন্ট ১৬.৫তগী ৫ হেল্লগা মাংজিল থাদুনা লৈরি। ৩শুবা পোজিসনদা নেদর্লেন্দসকী শান্নরোয় অনিস গিরি পোইন্ট ১৩.৫ ফংলি। লোয়নননা ৪শুবদা য়ু এস এগী অতোপ্পা ৱেসলি সো পোইন্ট ১৩ ফংলি।